CIVIL SERVICES (MAIN) EXAM- 2023

**SKYC-C-MNP**

# মণিপুরী / MANIPURI

## ( কম্পলসরী ) / ( Compulsory )

| | |
|---|---|
| মতম : পুং 3 | অপুনবা মার্ক : 300 |
| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 300 |

---

### ৱাহংশিংগী খংজিনগদবা ৱাফমশিং

***ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীদ্রিঙেদা অকুপ্পা ৱারোলশিং হান্না পাগদবনি :***

*ৱাহং পুন্নমক খুমগদবনি ।*

*ৱাহং খুদিংদা পাউখুবগী মার্ক পীরি ।*

*পাউখুমশিংদু অকক্নবা ৱফম পীদ্রবদি **মণিপুরী (বেঙ্গকীময়েক্তা)** দা ইগদবনি ।*

*ৱাহংশিংদা পীরিবা ৱাহৈশিংগী অকক্নবা ৱশিংগী মতুংইন্না পাউখুব খুমগদবনি । তেন্না নত্রগা শাংনা খুমদ্রবদি মার্ক কক্কনি ।*

*অনসর বুকতা ইদবা লমায় থম্নম্লবদি নিংথিনা ককথংবাদবনি ।*

### Question Paper Specific Instructions

***Please read each of the following instructions carefully before attempting questions :***

*All questions are to be attempted.*

*The number of marks carried by a question / part is indicated against it.*

*Answers must be written in **MANIPURI (Bengali script)** unless otherwise directed in the question.*

*Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to and if answered in much longer or shorter than the prescribed length, marks may be deducted.*

*Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.*

---

**Q1. মখাদা পীরিবা অসিদগী অমওং খল্লগা ৱাহৈ 600 মূক্তা এসে *অমা* ইয়ু :** ***100***

(a) কনজুময়িস্তকী পুন্সি মহৈং অমসুং অকোয়বগী ফিভম

(b) মোবাইল ফোনদা লাইচুবা

(c) ওনলাইনদা মহৈ তম্বগী অৱাৎপশিং

(d) লালহৌবা : শীংনবা অমা

**Q2. মখাদা পীরিবা পেসেজ অসি কুপ্না পারগা নশাগী লোন্দা চুম্না অমদি ময়েক শেংনা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ু :** ***12×5=60***

লৌউবা অমনা লৌফমশিংদা শুনোল্লগা চাননবা মরু মরাং অমদি ইন্দসত্রিশিংগী মচাক পুথোকই । লশিংনা ফিগী কারখানাশিংদা অমদি ফিশাকোলশিংদা ফিগী শক্তম লৌরি । পারীশিংনা মফম অমদগী অমদা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরি । ঐখোয়না খঙবদি পোৎলমশিং (goods) অমসুং মখোয়না পীরিবা কান্নাবশিং অসি লৈবাক অমগী চহী অমগী অপুনবা মমল ওইনা গ্রোস দোমিস্তিক প্রোদক্ত কৌই । ঐখোয়না লৈবাক্কী মপান্দা থাদোকপগী মমলনা লৈবাক মনুংদা পুশিল্লকপগী মমলসু পী । মসিদগী উবা ফংবদি লাক্লিবা অপুনবা শেনফম (নেত ইনকম) অদু অতোংবা নত্রগা অমাংবা নত্রগা জিরোসু ওইবা য়াই । ঐখোয়না তাল্লুবা শেমফমশিং অদু পুনশিল্লবদি লৈবাক্কী চহী অদুগী ওইনা গ্রোস দোমিস্তিক প্রোদক্ত অদু ফংলবনি ।

পাঙথোক্লিবা শেল থুমগী থৌশিল পুন্নমক্না নেসনগী গ্রোস প্রোদক্ততা কান্নবা পীবনি । শেল থুমগী থৌশিলদা শরুক য়ারিবা পুন্নমক শিনমী (ৱর্কর্স) হায়রগা খঙনৈ, মখোয়শিংদু থাক অমদা হেক্তা নোম্বা য়াওবশিংনি — অৱাংবা নত্রগা অনেম্বা । মখোয়গী মরক্তা কনাগুম্বনা থবক শুবদা মতম খরগী লাকপা ঙমদ্রবা খুদম ওইনা হকচাং ঙমদবদগী, লোকপা পনবদগী, নোংজু নুংশা ফওবদগী, হরাও কুম্মৈ থোকপদগী নত্রগা লাইথৌ তিনথৌশিং থোকপদগী লাকপা ঙমদ্রবসু মখোয়শিংবু শিনমী ওইনা অদুম্মক লৌগনি । মরু ওইবা লমজিংবা শিনমীশিংগী থৌরমশিংদা মতেং পীরিবশিং অদুবু শিনমী ওইনা লৌগনি । অয়াম্বদা ঐখোয়না কনাগুম্বা মপু অমনা থবক শুহনবগীদমক মমল খরা পিবা অদুসু শিনমী ওইনা লৌনৈ । অদুবু মদুদি নওে । মশানা মদাবু থবক পিজরগা শুরিবশিং অদুসু শিনমীনি ।

ভারত্তা থবক শুবগী থৌওং অসি মখল মখানি । খরনা চহী চুপ্পা থবক শুই অদুগা মীওই খরনদি চহী অমগী মনুংদা থা খরদং শুই । অয়াম্বা শিনমীশিংনা মখোয়না শুরিবা থবক্কী ফংফম থোকপা শেনফম ফংদবসু য়াওই । শেন থমুগী থৌশিনদা শরুক য়ারিবা পুন্নমক থবক তৌরিবশিংগী মনুং চন্না মশিং থারগা শিনমীশিংগী মনুং চলহল্লি । ভারতকী শিনমীশিংগী মশিং অসি চাওরাক্লা 473 মিলিয়ন চহীচা 2011 – 12 দা ওইখি । অদুবু লৈবাকসিগী মীওইশিংনদি অয়াম্বনা মপুং ওইনা খুঙ্গংদা লৈবনিনা সহরগী শিনমীশিংদগী খুঙ্গংগী শিনরীশিংগী মশিংনা হেল্লী । শিনমী মিলিয়ন 473 গী মনুংদা শরুক মরি থোকপগী অহুমদি (three-fourths) খুঙ্গংদগীনি ।

ভারতকী শিনমীশিংদা নুপাশিংনা মপুং ওইনা মশীং য়াম্মী । অদুগা নুপী শিনমীশিংদি শরুক অহুম থোকপগী মশিং অমা (one-third) খুঙ্গংসী লমদমদা ওই, শুপ্নগী চাদা 20 খক্তমক শিনমী নুপীশিংনা শরুক য়াই । নুপীশিংনা ফিলদা থোং-থাকপা, ইশিং শোকপা, শীং থিবনচিংবা থবকসু তৌই । মখোয়না খুৎশুমন ওইনা শেল নত্রগা চাননবা মরু মরাং ওইনা ফংবা লৈতে । অয়াম্বা মতমদা শেল অমতা পীবিদে । মরম অসিদগী অসিগুম্বা নুপীশিং অসি শিনমীশিংগী মনুং চনদে । ইকোনোমিস্তিশিংনদি অসিগুম্বা নুপীশিং অসিবুসু শিনমী ওইনা লৌবগী অপাম্বা ফোঙদোকই ।

(a) শিনমী অমা হায়বসি কনানো ? *12*

(b) গ্রোস দোমেস্তিক প্রোদক্ত হায়বসি করিনো ? *12*

(c) ভারতকী থবক তৌবগী মওং মতৌ (নেচর) করিনো ? *12*

(d) করম্বা নুপীশিংবু শিনমীশিংগী মনুং চনদবনো ? *12*

(e) ভারতকী পুন্না শুমিন্নরা শিনমীশিংসিগীরেসিও কয়ানো ? *12*

**Q3. মখাদা পীরিবা ৱারেং অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমদা শমজিনবা শমজিন ৱারোল (প্রেসি) অমা ইয়ু । মসিগী মিংথোল পীগদবা নত্তে । প্রেসি অসি নশাগী ৱাহৈদা ওইগদবনি ।** *60*

ৱাহৈ অনীখক ইখঙ-খঙনদনা লৈ, অদুবু অয়াম্বদা শীজিন্নবদি সিভিলাইজেসন অমসুং কলচর হায়বসিনি । খন্দুনা য়েংঙু মীওইবা সমাজনা মৈ খঙদ্রিঙৈগী মতমদো । ঙসিদি য়ুম খুদিংমক্তা থোংবা থাকপগী মৈ শীজিন্নরি । অহানবা ওইনা মৈ পুথোকখিবা মীওই অদু ৱাখল লৈবা অফাওবা অনৌবা পুথোকপা (গ্রেট ইনভেন্টর) নি । নৎত্রগা

খন্দুনা য়েংঙু মীওইবনা য়েত্তুম অমসুং লং পুথোক্ত্রিঙৈ মতমদু । য়োৎ মচেৎ অমনা য়েত্তুম শারগা শেন্নকখিবা মীওই অদুসু ৱাখল লৈবা অফাওবা অনৌবা পুথোকপা (গ্রেট ইনভেন্টর) নি ।

ঐখোয়না খুদম অসি য়েংন্সি । অহানবা খুদমদা পোৎশক অনী য়াওরি । অহানবদা মীওই অমনা মৈ পুথোকপগী ৱাখলগী শক্তি অদুনি, অদুগা অনীশুবদনা মৈ অদুবু অনৌবা ওইনা পুথোকপা অদুনি । মসিগা মান্ননা অনীশুবগী খুদমদা য়েত্তুম্লংগী মতাংদসু অহানবদা য়েত্তুম অমসুং লং পুথোক্লবগী ৱাখল শক্তি অদুনি, অদুগা অনীশুবদনা য়েত্তুম অমসুং লং পুথোকখিবা অদুনি । খনবা ঙব্বগী শক্তি নৎত্রগা ঈথিল অমদগী মৈ অমসুং য়েত্তুম-লং পুথোকখ্রিবা অসি মশক নাইবা মীওই অমগী কলচরনি । অদুগুম্বা কলচর অদুদগী মহাক্লা অনৌবা পুথোকখ্রিবা অসিনা মহাক মশাগী অমদি পূন্নমক্কী ওইনা সিভিলাইজেসন কৌই ।

মশানা কলচর ওইরবা মীওই অমনা অনৌবা পোৎশক অমা পুথোরকপা হায়বসি মাগী অহল-লমনশিংদুগী ৱাখলনুংদু থংথরকপনি । মীওই অদুগী হৈজশিংজবদগী অনৌবা মশক খরা পুথোরকপা অদু কলচর ওইবগী মশকনি । অদুবু মাগী অহল-লমনশিং অদুগী ৱাখলনুংদা থংথরগা লাক্লিবা অদুনা মাগী অহল-লমন শিংগুম্না চাউখৎপনি লৌরবসু কলচর ওইবদি নত্তে । হৌজিক মতমগী ওইবা খুদম অমগা য়েংসি । নিয়ুটননা প্রিন্সিপল ওফ গ্রেভিটি পুথোকপনি । মহাকতু কলচর ওইবা মীওইবনি । ঙসিগী ফিজিক্সকী জাত্রশিংগী মরক্তা নিয়ুটনগী প্রিন্সিপল ওফ গ্রেভিটি অসি ইখঙতা খঙনৈ, অদুবু মদুগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়াগী লৌশিং জ্ঞানসু য়াওরি, মদুনা নিয়ুটনবু খঙনবদা লৈবসু য়াই । অসুন্না ওইরবসু ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমগী ফিজিক্স ছাত্রশিং অসি নিয়ুটনদগী হেন্না চাউখৎপা (সিভিনাইজ) ওই হায়গনি, অদুবু মখোয় অদু নিয়ুটনগুম্না কলচর ওই হায়বদি য়াদে ।

অরম-খৌরাঙবা হায়বসিনা ৱাখল লমজিং ওইরগা অহানবা মৈ পুথোকখিবা ওইবসু য়াই । য়েত্তুম অমসুং লং পুথোকখিবসু অশাবা অমসুং অঙৈংবা ঙাকথোক্লনবগী ৱাখলদগী অমদি হকচাংবু লৈতেংনবা থোইদোকপা ৱাখল অমা য়াওননি, মদুদা অহেনবা থৌশিন য়াওরি । হৌজিক খন্দুনা য়েংসি মীওই অমগী পূক্লা থল্লবা অদুগা মহাক্কী হকচাং অদুসু ফি থোংলবা; অদুগা অহাংবা অতিয়াগী মখাদা হিপতুনা নুমিদাংদা অরংবা থৌৱানমিচাকশিং অদুবু ঊরুবদা মহাক্লা তুম্বা ঙমদবগী মরমদি নীংথিরবা কুৎতক তৌবা পুখম অমদা মুক্তা ময়াম্না ঙাম্বোইদুনা লৈবদু খঙনীংবগী ঈখৌ লাংবা

অদুননি । পুক থন্না চাবগী অপাম্বা অমসুং হকচাংবু ফি শেৎপাচাবা অসি কলচরগী মমা নত্তে । থাংঙৈশেংনা কলচর ওইরবা মীওই অমনা পুক থল্লবসু অমদি হকচাংদা ফি শেৎলবসু তুমিন্না লৈথোকলোই । সিভিলাইজেসনগী পাক-চাউবা শরুক খরদি অদুগুম্বা অৱাংবা কলচরগী মীওইশিং অদুদগী ফংবনি । অদুগা মখোয়দা মপানথোঙগী ওইবা অউবা পোৎলমশিংনা মরু ওইনা পীরা ৱাখলদগীনি । অদুবু শরুক খরদি মুনি-ঋষিশিংদগী ফংবনি । মখোয়না করিগুম্বা অচুম্বা ফজবা খরা মপানফোঙগী ইথিলনা পুথোকপা নত্রবা মখোয়গী নুংগী ধ্যানদা য়াওজবা মহৌশাগী কলচর অদুনা পীবনি । নুমিদাংদা অতিয়াগী থৱানমিচাক ময়াম উরুবদগী তুম্বা ঙমখিদবা মুনি অদু অহানবা ওইনা থেংনরুবা হৌজিক্কী মতমগী লৌশিং জ্ঞান লৈবা মীশক অমনি ।

(433 ৱার্ড)

**Q4.** **মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি ইংরাজীদা হল্লু মণিপুরীদা হন্দোকউ :** **20**

মতম হায়বসিগী মমল লৈতে । তশেংবদি ঙসিগী মালেম অসিদা মতম হায়বসিমদি অকক্লবা ওই । করিগুম্বদা নহাক্কী লন-থুম মাঙখ্রবসু মদুবু অমুক তানবা য়াই । করিগুম্বদা নহাক্কী য়ুম মাঙখ্রবসু মদুসু অমুক হন্না ফংবা য়াই । তৌইগুম্বসুং নহাক্কী মতমবু মাঙহনখ্রবদি নহাক্লা মতম অদু অমুক হন্না ফংবা ঙমলোই ।

ঐখোয়না পুন্সিদা করিগুম্বা অমা পাঙথোকপা পাল্লবা, নত্রগা করিগুম্বা অমা ওইবা পাল্লবা, করিগুম্বা অমা ঐখোয়না ফংবা পাল্লবা অদু ওইরবদি তঙাইফদনা মতম হায়বসি খ্বাইদগী ফবা মওংদা শীজিন্নবা তমগদবনি । মতমবু মরম চানা শীজিন্নরবদি ঐখোয়না ফংনীংলিবশিং অদু ফংবা ঙমগনি ।

অসুন্না হায়নৈ "টাইম ইজ মানি" (Time is money) মতম হায়বসি শেলনি । অদুবু হায়নরিবা অসি পুমচুম চুম্বদি নত্তে । অচুম্বদি মতম হায়বসি লোইনাইদ্রবা লননি । নহাক্কী মতম অদুবু মরম চুন্না শীজিন্নরবদি মদুদতা নহাক লন-থুম তানবা ঙমগনি । অমরোমদা নহাক্লা মরম চানা মতমবু শীজিন্নদ্রবদি লন-থুম তানবগী খুদোং চাবা মাঙজগনি । মহাক্লা মতমবু মরম চানা চ্যেকশিন্না শীজিন্নরবদি মতম মাঙহনবা অদু শোয়দনা লেপকনি । হেন্না ফবা মওংদা নহাক্লা মতমবু শীজিন্নবা লম্বী থিরক্কনি । অতেনবা মতমগী মনুংদা থবক য়াম্না তৌবা ঙম্নবগীলম্বীসু নহাক্লা থিরক্কনি । থাঙৈশেংনা নহাক্লা মতমবু হৈ-শিংনা শীজিন্নবা হোৎনরকপদা নহাক্কী ৱাখলগী নুং অমসুং পান অনীমক চংই । মসিখক্তনা অনৌবা লম্বী অমা ফংগনি, অদুগা নহাক্লা অতেনবা মতমগী মনুংদা থবক কয়ামরুম পাঙথোকপদা মায় পাক্কনি ।

**Q5.** মখাগী ৱারেং অসি মণিপুরীদা হন্দোকউ : *20*

We cannot deny the importance of games in life as games make a person sound in body and mind. Society expects of a person to fulfil all his duties, for which it is important for him to keep healthy. He may be very intelligent, but his intelligence is of no use if he is not healthy. In some ways, the human body is like a machine. If it is not made use of, it starts to work badly. People who are not fit grow weak; they become more prone to disease. Any form of game is useful, if it gives the body an opportunity to take regular physical exercise. Playing encourages the spirit of sportsmanship. It enables one to deal with life's problems in a wise and natural manner. The important thing in playing is not the winning or the losing, but the participation. We have to remember some other things about playing games. First, it is the physical exercise that is important for health, not the games themselves, and there are other ways of getting this. Is not India the home of yoga ? When we think of the phrase — a healthy mind in a healthy body — we should not forget that it is the mind which is mentioned first. And if we let games become the most important thing in our lives, then we undermine the importance of the mind.

**Q6.** (a) **মখাদা পীরিবা ৱাহৈ কাঙলুপশিংগী অর্থ পীয়ু :** *2×5=10*

(i) অচান মীরায় নাইবা *2*

(ii) তাইবং ফাওরকপা *2*

(iii) য়াইতোং খমদোংবা *2*

(iv) চীংঙু খোয়য়ুম *2*

(v) চীনফেন ফবা *2*

(b) **মখাগী ৱাহৈশিং অসি তোঙান তোঙানবা অর্থ পীদুনা ৱাহৈ পরেং অনী অনী শেম্মু :** *2×5=10*

(i) পাবা *2*

(ii) য়ৈবা *2*

(iii) ঙাংবা *2*

(iv) পুবা *2*

(v) চেনবা *2*

**(c)** **মফম মতমগী মতুং ইন্না শীজিন্নবা অতোপ্পা ৱাহৈনা মহৎ শিল্লু :** *2×5=10*

(i) তাউবা *2*

(ii) মৈদিংঙু *2*

(iii) পন্থৌ *2*

(iv) পুঙবা *2*

(v) অতাউবা *2*

**(d)** **মখাগী ৱাহৈশিং অসি ৱাহৈ খরনা ইথোক্লুনা তাকউ :** *2×5=10*

(i) মিনুংশি খঙবা *2*

(ii) ফুমমং *2*

(iii) লাইনিং *2*

(iv) শগোল কাংজৈ *2*

(v) ইরাৎ থৌনি *2*